# যুক্রেনগী ৱাথোক্তা শিখিবা মশিং ২৬ য়ৌখ্রে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* যুক্রেনগী কোনুং কিয়েবতা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎপশিংগী মথক্তা পুলিসনা নৌনা তকখাইখিবগা লোয়ননা পুলিসকা ৱাকৎলোইশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিবা মীগী মশিংসু ২৬ য়ৌরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎলোইশিংগী অকনবা খোঙফম ফুক্তোক্লবা নৌনা চংশিল্লকপা খোঙথাং অমদা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসনা লৈবাক অদুদা থা কয়ামরুম শাথিবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং চথবগীদমক টেরোরিষ্টশিংগা মান্নরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱারী শান্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবগী তুংদা মহাক্লা ৱাকৎলোইশিংবু রেদিকেল ফোর্সশিংদগী লাপথোক্লা লৈনবা তকশিনখি। যুক্রেনগা রুসিয়াগা লৈনরিবা মরী অসি চুম্না দেমোক্রেটিক আরগুমেন্ট ওইরক্ত্রে। মসি য়াম্না শাথিবা পৱার ষ্ট্রগ্গল অমা ওইরক্লে হায়না য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনগী ভাইওলেন্স থৌওংশিং অসি অয়াম্বনা সেন্ট্রেল কিয়েবকী স্কৱার কিলোমিটর ৩–৪ গী মনুংদা থোক্লি। অদুমকপু খ্বাইদগী মপাঙ্গল কন্না ৱাকৎ খোঙজং চংশিল্লিবা হায়রগদি পীক্লা য়েংবা য়ারোই হায়নসু য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎপশিংগী মথক্তা ঙরাং পুলিসনা চত্থখিবা ক্রেক দাউন অদুবু শৌগৎলদুনা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসনা হায়খিবদদি, ওপোজিসননা মখোয়বু শৌগৎপশিংবু খুৎলায় পায়নবা খোল্লাও অমা লাউথোরক্লবা মরমনা মখোয়গী দেমোক্রেটিক ওইবা ঙমখৈদগী লাম্থোরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ওইরিবা ফিভম অসিদসু মখা তানা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং ওইথোক্লোইদবদি নৎত্রি। অমনা হায়বদা অমনা তাবগী মতম হেন্দোকখিবা নৎত্রি। অদুগা মুক্নবগী ফিভম অসি লোইশিনবগী মতমসু হেন্দোকখিবা নৎত্রি হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ওপোজিসন লিদর ভিটালি কিটসকোনদি প্রসিদেন্টপু মরাল শীরদুনা ওইরিবা ফিভম অসিদা প্রসিদেন্ট অসিগী রিয়েক্সন মতিক চাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎপশিংগা পুলিসগা সেন্ট্রেল কিয়েবতা ঙরাং খুৎ থোক্নখিবা ফিভম অদু লৈবাক অসিগী ইকুই কুইদ্রিবগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোকনি। শিখিবশিংগী মরক্তা পুলিসমেন ১০ য়াওখ্রে হায়নসু ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনগী ভেষ্টি পাউ–চেগী রিপোর্টর অমসু শিখিবশিংগী মরক্তা য়াওখি। চরাংনবা ফিভম অসিদা পাউমী শিবগী থৌদোক্তি মসিনা অহানবা ওইরি। শিখিবশিং অয়াম্বা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবনা অয়াম্বনি। অদুগা পুলিস অমদি ৱাকৎলোইশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী মরাল অমনা অমদা শীজিন্নখি। অদুবু ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনদি ক্রুপশিংনা নোংমৈ কাপখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকই।

অমরোমদা ভাইওলেন্সকী থৌদোক কা হেন্না হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা যুক্রেনগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থম্নবা য়ুরোপ মনুংদা কন্না পন্নবা ৱাফম অমা ওইরক্লে।

ব্রুসেলসতা ই য়ু গী ফোরেন মিনিষ্টর কয়ামরুম অখন্নবা মীটিং অমা হয়েং পাঙথোক্লবা সমোন তৌখ্রে হায়নসু স্বিদিস ফোরেন মিনিষ্টর কার্ল বিল্টনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট জোসে মেনুয়েল বরাসোনা হায়বদা, ভাইওলেন্স থৌদোকশিং অসিগী থৌদাং ওইবশিংগী মথক্তা অকক্নবা খোঙথাং খরদি লৌখৎপদা ই য়ুগী মেম্বর ষ্টেট খরনা য়ারক্কনি থাজৈ হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# ইরাননা য়ান্নরোল চৎহনবা য়াবগী মতম হৌজিকসু থা ৬ লৈরিঃ জারিফ



*ভিয়েনা, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* টেহরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদা তাংদাংবা দিল অমা লেপথোক্নদনা লৈরিবা ফিভম অসি য়াশিন্নবা অমা পুরকপা য়াবগী মতম হৌজিকসু চহি তঙ্খাই অমরোম লৈরি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মুহমদ জাবেদ জারিফনা ঙসি ভিয়েনাদা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটেন, চাইনা, ফ্রান্স, রুসিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি জর্মনিগা য়ানবা অমা পুরক্নবগীদমক ৱারী শাবগী নিনি চনবা নুমিৎতা জারিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ৱারী শানবা অসিগী পান্দমদা ইরানদা চহি কয়াগী মমাংদগী চংশিল্লকপা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট অমদি অতৈ ন্যুক্লিয়ার এক্টিভিটিশিং হন্থহন্নবগী মতাংদা মপুং ফাবা দিল অমা পুরক্নবা হোৎনরিবনি।

জারিফনা হায়খিবদা, থা ৬ কী মনুংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি ওইথোকপা য়ারোইদবা অমা নৎত্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়গী অপুনবা পান্দমদি লান্না খন্নবা পুন্নমক শেংদোক্লবা অসিনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। ৱারী শান্নরিবা মায়গৈ অনিমক্লা হৌখিবা চহিগী নভেম্বর থাদা য়ানখিবদসু তাংদাংবা য়ানরোল অমা থা ৬ কী মনুংদা অরোইবা ওইনা শেম্বা হায়না য়ানখিবনি।

অদুবু শান্নরিবা ৱারী অসি চহি অমা চোম্থবসু ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়নসু মায়গৈ অনিমক্লা য়ানখিবনি।

নোংচুপ লৈবাকশিংগী দিপ্লোমেট খরনা হায়বদা, থা ৬ হায়বসি ওইথোকপা য়ারোইদবা মতমগী তাঙ্কক অমা নৎত্রি। মরমদি লোইশিন্নবা হোৎনরিবা ইসু অসি য়াম্না অরুবা অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা ইরাননা মসিগী সিভিলিয়ান ন্যুক্লিয়ার ইন্সটোলেসনশিংদগী পুথোকপা য়ুরোনিয়ম অমদি প্লুটোনিয়মবু ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শাবদা শীজিন্নরকপা য়াই হায়বসিদা মলেমগী কম্মুনিটিশিংনা নুংনাংবা পোক্লরিবনি। টেহরান্নদি অসিগুম্বা পান্দম অমত্তা লৈতে হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবনি।

# বৈরুটকী বোম্বীং এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিরে



*বৈরুট, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* লেবাননগী কোনুং অসিগী খারোমদা লৈবা ইরানিয়ান কলচরেল সেন্টরদা স্যুসাইদ এটেক অনি চথরকপদা ঙসি য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিরে অদুগা ৮০ হেনবনা শোক্লে হায়না সিক্যুরিটি অমদি মেদিকেল ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

উহৌবশিংনা হায়বদা বৈঅর হাসন এরিয়াদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না নক্লবা মতমদা মথং মথং পোকখাইরকখিবনি।

পোকখাইরকপা অদুদা ইরানিয়ান কলচরেল সেন্টরগী মনাক্তা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোষ্ট অমদা পোকখাইবগী শাফুনা য়ৈখি। অদুগা মনাক্তা লৈবা অথুম অহাও য়োনবা দুকান অমদসু পোকখাইবগী থৌদোক অদুনা শোকহনখি হায়না আর্মি ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চেক পোইন্ট অদুদা স্যুসাইদ বোম্বর অমনা চংশিল্লকপদা পুলিসমেন অমনা চিংননা য়েংলকপগা মপা চান্নরা পোকখাইরকখিবনি। শিখিবশিংগী মনুংদা ওফিসার অদুসু য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

লেবানিজ রেদ ক্রোসকী মকোক ওইবা জোর্জ কেটনেনা হায়বদা মফম অদুৱাইদা লৈবা ওর্ফানেজ অমগী অঙাং খরসু অশোকপশিংগী মরক্তা য়াওখ্রে হায়বগা লোয়ননা অশোকপা খরদি ফিভম লুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অলকাইদাগা শম্নবা অবদালা অজম বৃগেদনা থৌদোক অদু মখোয়না চথবনি হায়না ক্লেইম তৌরকখ্রে। লেবাননদা ঐখোয়না ইরান অমদি মসিগী হেজবোল্লাহ লালহৌবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা লান চংশিনখিগনি। মখোয়না সিরিয়াদগী হেক হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা এটেক চথবা লেপখিরোই হায়না ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অসিবু লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর তমাম সলামনা কন্দেম তৌখ্রে। মখোয়গী ৱাখল্লোন ঐখোয় তশেংনা খঙলে। হেন্না চেৎপা খোঙফম অমদা মখোয়গী মথক্তা পাউখুম পীরগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

ইরানিয়ান এম্বেসিনা হায়বদদি মসিগী ষ্টাফ অমত্তা এটেক অদুদা শোকখিদে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

# ইরানিয়ান ফোর্সশিং পাকিস্থানদা চংবা য়ারোই

*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* ইরানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অব্দোলরেজা রহমানি–ফাজিলিনা ইরানগী বোর্দর গার্ড ৫ পাকিস্থান্দগী থাদোক্লবা ইরানগী ফোর্স পাকিস্থানদা থারগনি হায়খিবা ৱাফম অদু লুনা লৌরদুনা পাকিস্থাননা ফোঙদোরকখিবদা ইরানগী ফোর্স অমত্তা মরম চাদনা পাকিস্থানদা চংলকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী বোর্দর গার্ড ৫ অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬ তা মিলিটেন্টশিংনা ইরানগী লম মনুং চনবা ঙমখৈগী মফম অমদগী কিদনেপ তৌখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়বদা পাকিস্থান গভর্নমেন্টনা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থবকশিং ইরাননসু ময়েক শেংনা খঙনা খঙনা অসিগুম্বা থৌৱা শাদবা ৱাঙাং অসি য়াবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদসু পাকিস্থানগী ফ্রন্টিয়ার কোর টিমশিংনা কিদনেপ তৌখি হায়রিবা মফমশিং অদু পাক শন্না থি হুম্বগী থবক লৌখৎখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা মফমশিং অদুদা ইরানগী বোর্দর গার্দশিং চঙলকখি হায়বদু ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা অকাইবা তৌবশিংগা ফাখ্রে হায়রিবা বোর্দর গার্দশিং অদুগা ইরানগী লম মনুংদা মচি অমদা লোত্তুনা লৈরম্বসু য়ারি হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

লৈবাক অনিমক্কী সিক্যুরিটি ওর্গনাইজেসনশিংনা চাং অমা নাইনা পাউ ফাওনবগা লোয়ননা সেনিয়ারশিংগী থাক্তা পাকিস্টান–ইরান বোর্দর মিটিং অমসু লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৯ দা ক্বেটাদা পাঙথোক্লবা লেপ্পখ্রবনি।

মিটিং অদুদা থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা মরী লৈনবা ঈ–পাউশিংসু পুথোক্লদুনা খন্নগনি হায়রি।

পাকিস্থানগী ফোরেন এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুদা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা ইরানগী ফোর্সশিংনা মালেমগী ওইবা চৎন–পথাপ খোঙ্গাওনদুনা পাকিস্থানগী ঙমখৈদা লানশিল্লকপগী ওঠোরিটি লৈতে হায়না খঙহল্লকপগা লোয়ননা লৈবাক অনিনা অমনা অমগী ঙমখৈ ইকাই খুম্নবা চুম্মী হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# নোর্ঠ কোরিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিসনরি দিটেন তৌখ্রে

*মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* অৱাং কোরিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিসনরি অমা ফাজিনখ্রে হায়না মিসনরি অদুগী লোয়নবীনা ফোঙদোরকখ্রে।

টুর গ্রুপ অমগা লোয়ননা অৱাং কোরিয়াদা জোন সোর্ট হায়রিবা মিসনরি অসি অনিশুবা খোঙচৎ ওইনা অৱাং কোরিয়াদা চৎখিবনি। মদুদগী অৱাং কোরিয়াগী ওঠোরিটিশিংনা জোন সোর্ট (৭৫) বু পিওংয়াংদা ফাজিনখিবনি হায়রি।

ফাখ্রবা মীওই অসিগী লোয়নবীনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, মহাক্কী মপুরোইবগী মরুওইবা মথৌদি কোরিয়া লোনদা হন্দোক্লবা লাইনিংগা মরী লৈনবা ৱারোলশিং কোরিয়াদা পুশিনবগী থবকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদসু সোর্ট ফাখ্রে হায়বসি ওষ্ট্রেলিয়া গভর্নমেন্টনসু খঙলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মতৈ মনাও অনি অসি হোংকোংদা লৈবা খৃষ্টান বুক পব্লিসিং হাউস অমা চলাইদুনা লৈবনি। লোয়নবী অদুনা হায়বদা মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা চৎখিবা মতমদা মশাদা কোরিয়ান লিটরেচরখক্তমক পুরগা চৎখিবনি। মরম অসিনা মহাকপু ফাবগী মরম মসি নৎত্রবদি অতৈদি ঐ খঙবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কারেন হায়বী নুপী অসিনা মখা তারদুনা হায়খিবদা ঐখোয়না হৌজিক পিওংয়াংগী স্বিদিস ওফিসিয়েলশিংগা কুপ্না পাউ ফাওনরি। অদুগা সোর্ট মফম অদুদা অশোই অঙাম য়াওদনা লৈহন্নবা হোৎনবদা ওফিসিয়েলশিং অসিদগী মতেং লৌগনি হায়নসু ওষ্টেলিয়াগী ফোরেন এফিয়ার্স ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

মিসনরি অদুগী লোয়নবী কারেননা হায়বদা, অৱাং কোরিয়া অসি লম কোইবশিংনা পাম্বা লমথুংফম অমদি ওইদে। অদুবু ঐগী ইপুরোইবনা নিংজবদি লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অঙম্বা মতেং পীবদুনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# রুসিয়া এষ্টোনিয়ানা বোর্দর পেক্ট সাইন তৌনখ্রে

*মোস্কো, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* রুসিয়া অমদি এষ্টোনিয়ানা চহি ২৩ চংনা য়ানবা পুরক্নবা হোৎনরক্লবা মতুংদা ইতিহাসিক ওইরবা বোর্দর পেক্ট অমা ঙসি সাইন তৌনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অনিমক্কী ফোরেন মিনিষ্টরশিং হায়বদি রুসিয়াগী সর্গে লাভরোব অমদি এষ্টোনিয়াগী উরমাস পেটনা মোস্কোদা ঙরাং উন্নদুনা ঙমখৈগী ত্রিটি অমা সাইন তৌনখিবনি।

রুসিয়াগা লৈনবা ঙমখৈগী ফিভম লিগেলাইজ তৌবা বাল্টিক ষ্টেট অহুমগী মনুংদা এষ্টোনিয়ানা অরোইবা ওইরি। পনবা য়াবদি লৈবাক অনিনা পেক্ট অসি অনিরকশুবা ওইনা ফাইনেলাইজ তৌনখিবনি।

অহানবা ওইনা ইং ২০০৫ দা পেক্ট অসি সাইন তৌনখ্রবসু রুসিয়ানা অমুক হন্দোকখিবদগী হন্দক অনিরকশুবা ওইনা সাইন তৌনবনি। এষ্টোনিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা মতম কুইরবগী মমাংদগী চৎনখিদ্রবা ইং ১৯২০ গী ত্রিটি অমগা মরী লৈননা প্রিয়েম্বল অমা হাপচিল্লকপদগী রুসিয়ানা তৌখিবা সিগ্নেচর অদু রিকোল তৌখিবনি। অদুবু ত্রিটি অদুদা য়াওখিবা মরুওইবা ৱাফম অমা নৌনা অমুক চৎনরবা মরমনা রসিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা টাউন অনি এষ্টোনিয়াগী টেরিটোরিনি হায়না ক্লেইম তৌবা য়াবগী পোরম অমা ফংলে। অমরোমদা রসিয়ানা পাল্লিবসু লৈবাক অনিগী মরক্তা অমনা অমগী লমনি হায়না ক্লেইম তৌনবা মফম অমত্তা লৈনদবা হায়বসিনি।

লাভরোবনা হায়খিবদা, হান্নগুম্না রুসিয়ানা থেংনরকপা খুদোংচাদবা খরগী মতাংদা এষ্টোনিয়াদা তকশিনবা লেপখিরোই হায়না শেংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা অরুবা ইসু খরা লৈরিবা অসিদগী ঐখোয়না হন্দোকখিরোই হায়না এষ্টোনিয়াগী মহাক্না ফম মান্নবা মিনিষ্টর অদুগা পুন্না পাঙথোকমিন্নবা পাউগী মীফম অমদা লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা উরমাস পেটনা হায়বদসু এষ্টোনিয়ানা রুসিয়াদা চিঙ্গাক পোৎলমশিং থাজিনবদা চহি অসিগী হৌরকপদা থমখিবা অথিংবা অদু লৌথোক্লবা রসিয়াদা তকশিনবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এষ্টোনিয়ানা মসিগী লৌউ শিংঊগী পোখোকশিং মপাল লমদা থাদোকপগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ১৮ হেন্না রুসিয়াদা থাজিনবনি। অদুগা লৈবাক অদুদা রুসিয়াগী লম কোয়বশিং খরগা হেন্না লাকহন্নবা থৌরাংসু পায়খৎলিবনি।

# শ্রীলঙ্কানা খা অফ্রিকাগী খুদুং ইন্নবা খন্নরি

*কলম্বো, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* শ্রীলঙ্কাগী গভর্নমেন্টনা খা অফ্রিকাগা এপার্থেদ ঈহৌ মনুংদা নুংঙাইনখিদবা অমদি ৱারৌনখিবশিং অদুবু কোকহন্নবা পান্দমদা ত্রুঠ এন্দ রিকন্সিলিয়েসন কম্মিসন শেমখিবা অদুগী খুদুং ইন্দুনা শ্রীলঙ্কাদসু মান্নবা ত্রুঠ কম্মিসন অমা শেম্নবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীলঙ্কাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি হায়খিবদা মিনিষ্ট্রি অসিগী সেনিয়ার মিনিষ্টর অনিনা হয়েং খা অফ্রিকাদা চৎকদবা টিম অমবু লুচিংগনি। অদুগা খা অফ্রিকাগী গভর্নমেন্ট অমদি রুল্লিং অফ্রিকান নেস্নেল কংগ্রেস পার্টিগা হিরম অসিগী মতাংদা টিম অদুনা কুপ্না খন্নরুগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীলঙ্কানা টামিলশিংগী নিংতম লালহৌ মনুংদা মাইনোরিটি টামিলশিংদা চত্থখিবা মীওৎ মীনৈ অমদি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা পরিং চুম্না থিগৎনবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা অকনবা ৱারেপ অমা লৌখিবা অদুদগী খরা কোমথোকহন্নবা খোঙথাং লৌখৎপা ওইনা টিম অসি খা অফ্রিকাদা চৎকদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি ইং ২০০৯ দা লোইশিনখিবা সিভিল ৱার অদুগী মনুংদা শ্রীলঙ্কাগী ফোর্সশিংনা ৱার ক্রাইম কয়ামরুম চত্থখি হায়না নোংচুপ লৈবাক খরনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখিবনি।

খা অফ্রিকাগী ত্রুঠ এন্দ রিকন্সিলিয়েসন কম্মিসন অসিগী মোদেলদা লুপ অমা শেন্নগদি কা হেঞ্জিনবা থবক চত্থখিবশিংবু মখোয়গী মরালশিং মীমাং থোক্লা য়াজরগা মখোয়গী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎহন্দনবা হোৎনবগী খুদোংচাবা অমা ফংহন্নবগীদমক কম্মিসন অসি শেম্বগী মথৌ তারকপনি।

# লম্বোইবী অমা চহি ৩ কৈশুমশঙদা লৈনবা রাই তাখ্রে




*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* য়ু এস ন্যুক্লিয়ার দিফেন্স সাইট অমদা মরম চাদনা চংলম্বা অমদি অকাইবা তৌরম্বগীদমক অহল ওইরবী কেঠোলিক নন অমা চহি অহুম কৈশুমশঙদা লৈনবা রাই তাখ্রে হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিষ্টর মেগান রাইস (৮৪) অমদি অতোপ্পা ৱাকৎলোই অনিনা টেন্নেসিগী ওক রিজদা লৈবা ন্যুক্লিয়ার সাইট অমগী ফেন্সিং কক্তুনা চংলম্বনি। লম্বোইবী অসিগা লোয়নখিবা মাইকেল ৱালি অমদি গ্রেগ বোরটিয়ে–ওবেদ অনিবুসু কৈশুমশঙদা চহি ৫ লৈনবা রাই তাখি।

ৱাই–১২ হায়রগসু খঙনবা য়ুরেনিয়ম পুথোক্তুনা পৈশিনবা ফেসিলিটি অসিদা মখোয় অহুমনা ইং ২০১২ গী জুলাইদা আইন কায়না চংলম্বদগী ফেসিলিটি অসিগী চেকশিন থৌরাংদা শেমদোক শেমজিন খরসু তৌখ্রবনি। ঙরাং নোক্সভিলগী কোর্ট অমদা চত্থখিবা হিয়ারিংদা সিষ্টের মেগাননা ৱায়েলশঙ অদুদা মহাক্কী মথক্তা কোমথোকপা মীৎয়েং য়েংবিগনু হায়না তকশিনখিবনি।

ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লেঞ্জবা ফংলবদি মদু নখোয়না ঐঙোন্দা পীবা য়াবা খুদোলশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়নসু লম্বোইবী অসিনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

চত্থখিবা ৱায়েল অদুদা ৱাশিংটন দি সি দা লৈবী সিষ্টর মেগাননা হায়খিবদা, মহাক্কী মথক্তা থবক লৌখৎলক্লবা অসুক কুইনা ঙাইরকপা অসিমদি নিঙমদবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পিছ এক্টিভিষ্ট অসি মমাং চহিগী মে থাদা কনভিক্সন ফংলবা মতুংদা চহি ২০ কৈশুমশঙদা লৈবা য়াবগী চৈরাক মায়োক্লদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা মহাক্লা লোয়নখিবা মীওই অনি অদুদি মমাংদা ক্রিমিনেল হিষ্টরি খরা শাংনা লৈরকপা মরমদগী অহেনবা মতমগী মীয়াৎ ফংখিবনি। মখোয় অহুমবু দোল্লর লিশিং অমা হেনবগী গভর্নমেন্টকী মাল চাং মাঙহনবগীদমক মরাল লৈরে হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি।

# য়ু এসতা হ্বিসলব্লোৱর থবক লৌথোকখ্রে

*স্কোকেন, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ* য়ু এসতা লৈবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিংগী প্রদক্সন সেন্টর অমদা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোকপগীদমক হ্বিসলব্লোৱর ষ্টাফ অমা হানফোর্দ ন্যুক্লিয়ার রিজার্ভেসনদা থবক তৌরম্বদগী লৌথোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

দোনা বুস হায়বী হ্বিসল ব্লোৱর অসি হানফোর্দকী প্লান্ট অদুদা ৱেষ্ট ত্রিটমেন্টকী মতাংদা অমদি প্লান্ট অদুগী সেফটিগী দিজাইনশিংগী মতাংদা ৱাকৎ কয়াসু থাঙ্গৎখিবা মীশকনি। ইং ১৯৪০ দা কা হেন্না অরোনবা থৌরাং অমা য়ু এসনা শাখিবা আনফোর্দকী প্লান্ট অসি এটেম বোমশিং শানবগীদমক শীজিন্নবনি। অদুবু হৌজিক্তি প্লান্ট অসি য়ু এসকী ন্যুক্লিয়ার সাইটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চমোৎনরবা অমা ওইবগা লোয়ননা চহি খুদিংগী প্লান্ট অসিবু তরু তনাননা থম্নবা হোৎনবদা দোল্লর বিল্লিয়ন অনি চাদিং তৌরিবনি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-158

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 2 | 7 | 6 | 9 | 1 | 5 | 3 |
| 3 | 7 | 5 | 8 | 1 | 2 | 9 | 4 | 6 |
| 1 | 9 | 6 | 3 | 4 | 5 | 7 | 8 | 2 |
| 6 | 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 5 | 7 | 8 |
| 7 | 5 | 4 | 6 | 2 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 | 4 |
| 2 | 1 | 8 | 9 | 5 | 6 | 4 | 3 | 7 |
| 4 | 3 | 7 | 2 | 8 | 1 | 6 | 9 | 5 |
| 5 | 6 | 9 | 4 | 7 | 3 | 8 | 2 | 1 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*